# খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স মনুংদা পুলিস আউট পোষ্ট হাংনবা হোৎন্নরি ঃ আর্মষ্ট্রোং পামৈ

রবি খাঙেম্বম

ইম্ফাল,জুলাই ১৬ (এস এন এস) ঃ খুমন লম্পাককী স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি পাক চাওবনা অন ওথোরাইজ ওইবা মওংদা চঙলকপা মীওইশিংনা কমপ্লেক্স অসিগী মনুংদা থোকহনিংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক কমপ্লেক্স অসিগী মনুংদা রিগুলর পুলিস আউট পোষ্ট অমা হাংনবা যুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা মরী লৈন্নবশিংদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে, লোয়ননা অথুবা মতমদা শোয়দনা লৈরগনি মসিনা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা মখল মখা কয়াগী শান্নফম ওইরিবা কমপ্লেক্স অসি হেন্না মগুন লৈহনল্লগনি হায়না যুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টসকী ডাইরেক্টর আর্মষ্ট্রোং পামৈনা ফোঙদোরক্লি।



আর্মষ্ট্রোং পামৈ, ডাইরেক্টর য়াস

পাউ চে অসিগা অখন্না উন্নবা অমদা ডাইরেক্টরনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, কমপ্লেক্স অসিদা অঙাং অহল খায়দনা অয়ুক্তগী নুংথিল ফাওবা মীওই লিশিং অনী হেনবনা কমপ্লেক্স অসিগী কানবশিং লৌরি।

কেম্পস অসিগী মনুংদা নেসনেল স্পোর্টস য়ুণিভর্সিটি ( এন এস য়ু), নেসনেল স্পোর্টস একাদেমি ( এন এস এ), সাই অমদি অয়ুক্তা আর সি সিগী শান্নরোই ৭০০ তগী ৮০০ ফাওবনা দিসিপ্লিন ৩৫ দা শরুক য়াদুনা কম্পলেক্স অসিগী মনুংদা ট্রেন্নিং তৌবনা অন ওথোরাইজ ওইনা চঙলকপা মীওইশিংনা হায়রিবা শান্নরোইশিং অসিদা অপনবা পীরি।

মরম অসিনা কমপ্লেক্স অসিগী ফেসিলিটি ফংবগী চাঙ অসি নোংমা- নোংমগী হেনগৎলকপনা গাড়ী চঙবা, পোৎ চৈ হুরানবগী পামদবা থৌদোকশিং থৌক্লকপদা খরাদা ওইরবসু অৱাবা কোকন্নবগীদমক চহী অসিগী এপ্রিলদা কেম্পসকী মনুংদা সি সি টিভি কেমেরা ৩৫ মথৌ তৌহনখ্রবসু পুলিস আউট পোষ্ট অমা লৈহন্দুনা কমপ্লেক্স অসিবু হেন্না ফজনবা হোৎনবদা মতেং ওইগনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা দিপার্টমেন্ট অসিনা কমপ্লেক্স অসিদা শেমগৎ শাগৎপশিংগী মতাংদা হায়, কমপ্লেক্স অসিগী মনুংদা লৈরিবা সুইম্মিং পূল অসি মতমগা চান্নবা শেমগৎনবা হোৎন্দুনা অথুবা মতমদা পূল অসিদা ফিল্টেসন অমদি ৱামর্স প্লান লৈহন্নবা দিপার্টমেন্টনা হোৎন্নরি।

করিগুম্বা হায়রিবা প্লান অসি লৈরবদি শান্নরোইশিংদা মতম নায়দনা ট্রেন্নিং তৌবদা অচৌবা মতেং অমা ওইগনি। সুইম্মিং পূল অসিদা শাবা লোয়শিন্দনা লৈরম্বা লান্নর্স পূলসু দিপার্টমেন্টনা মেন্টিনেস ফন্দিংদগী অফবা ক্বালিটি নত্রবসু চহী অসিগী জুনদা শাবা লোয়শিন্দুনা মথৌ তৌহন্দুনা হৌজিক ফাওবদা নুংথিল খূদিংগী সুইম্মর ১০০ হেনবনা মসিগী কান্নবা ফঙহনলি হায়না ফোঙদোকখি।

চহী খরাগী মমাঙদা কমপ্লেক্স অসিগী ৱাল লানশিল্লগা অন ওথোরাইজ ওইবা মওংদা চঙলক্লগা সুইম্মিং পূলদা দ্রাইব তৌশিনবদগী মী লৈখিদ্রবা য়াওরে। মসিনা মরম ওইরগা কমপ্লেক্স অসিদা লৈরিবা ৱালশিং মতিক চানা শেমজিনবা মথৌ তারি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকপদা কমপ্লেক্স অসিগী মনুংদা লৈরিবা নেসনেল স্পোর্টস য়ুণিভর্সিটিগী মপুং ফাবা কেম্পস অমা লৈত্রিফাওবদি খুমন স্পোর্টস কম্পলেক্স মনুংদা লৈহনবা হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি য়াসকী দিপার্টমেন্টগা এম ও য়ু সাইন তৌন্নবনা হায়রিবা য়ুণিভর্সিটি অসিগী মহৈরোশিংগী মশিং লেপ্তুনা চহী খূদিংগী হেনগৎলকপনা ক্লাস রুমগী দিমান লৈরবসু মতিক চানা পীবা ঙমদনা লৈরি।

মরম অদুনা কমপ্লেক্স অসিগী মনুংদা দিপার্টমেন্ট অসিগা মরি লৈন্নবা স্পোর্টস এসোসিয়েসনশিংগী ওফিস নত্তবা ইলিগেল ওইনা লৈশিনল্লিবা ওফিসশিং অথুবা মতমদা লৌথোক্তুনা নেসনেল স্পোর্টস য়ুণিভর্সিটিনা থেংন্নরিবা জগাগী খূদোংচদবা অসি অথুবা মতমদা কোকহন্নবা হোৎন্নরি লোয়ননা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসিগী মনুংদা লৈরিবা লাইটনিং ফিসিলিটিশিং অসি চাদা ৮০ দি শেমজিন্দুনা নুমিদাং মতমদা কমপ্লেক্স অসি হেনা মশক থোকপা অমা ওইহনলি হায়না আমষ্ট্রোংনা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ানা চিনাগা হিদন্নদুনা ৱেঠলিফটিংগী অচৌবা পৱার হাওস অমা ওইবা ঙম্লগনি ঃ রিজিজু

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ (এজেন্সি) ঃ এ পি আই এ, এস এ ও বি , না য়ুম্বু ওইদুনা হৌখিবা জুলাই ৯ দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোকখিবা কম্মন ৱেঠ ৱেথলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপতা ইনিদয়ানা মেদল ৩৫ লৌদুনা মকোক তারকপগী নুঙায়বা ফোঙদোক্লদুনা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রিজিজুনা শান্নরোইশিং অদুগা ন্যু দিল্লিগী স্পোর্টস ওদোটিরি ওফ ইন্দিয়াগী (সাই)গী ওফিসতা ঙসি উন্নখ্রে।



থৌরম অসিদা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরন রিজিজুনা ফোঙদোরকখিবদা হানদগী ৱেডলিফটিং মশান্না অসিগী অচৌবা পৱার হাওসনি হায়নরিবা চিনা অমদি নোঠ কোরিয়াবু নমথবা ঙম্বাগী মতিক মগুন ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংদা চপ চানা য়াওই।

হন্দক পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদদা ইন্দিয়াগী শান্ননরোইশিংনা য়ুঠ জুনিয়র অমদি সেনিয়র কেটাগোরিদা এসিয়া অমদি ৱার্ল্ডগী রেকোদ কয়া থুগায়বগা লোয়ননা শান্নরোই ৩৭ না শাবা কোন্টিজেন্ট অসিনা মেদল ৩৫ লৌরকপা অসি য়াম্না চাওথোকচনিঙাইনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, অসিগুম্বা অচৌবা টুর্নামেন্ট অমদা মেদল য়াম্না লৌরকপা ঙম্বা অসিনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চিনা অমদি নোঠ কোরিয়াগী শান্নরোইশিংগা চপ চানা থেঙনবা ঙমগনি হায়বগী থজবা লৈরি।

মসিদসু নত্তনা হন্দক পাঙথোকদৌরিবা তোকীয়ো ওলিম্পিক গেমস অসিদা মশান্না অসিগী ওইনা ইন্দিয়ানা মেদল কয়া লৌরক্কপা ঙমগনি হায়বগী থজবা ফোঙদোকখি।

মমাঙগী ৱার্ল্ড চেম্পেয়ন মীরাইবাই চনু অমদি য়ুঠ ওলিম্পিককী গোল্ড মেদলিষ্ট জিরেমি লাল রিনুঙানা লূচিঙবা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা হন্দক চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা উৎলিবা পার্ফোমেন্স অসিনা মশান্না অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং য়াম্না ফগৎলে। হায়বা খঙবা ঙমলে।

গভর্ণমেন্ট অসিনসু মশান্না অসিবু অমুক্কা হেন্না চালথোকহন্নবা কন্না হোৎনগনি, লৈঙাক অসিনা হৌগৎলকক্লিবা শান্নরোইশিং অসিগীদমক পাঙবা য়াবা মতেয পীদুনা মশান্না অসিবু মথঙগী মিরোলদা হেন্না চাওখৎনবা হোৎন্নগনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

# ইন্টরকোন্টিনেটেল কপতা ইন্দিয়া অমদি সরিয়া দ্রো চৎখ্রে, টজিকিস্থান অমদি নোঠ কোরিয়া ফাইনেল শান্নরগনি




অহমদাবাদ, জুলাই ১৬ (এজেন্সি) ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী টিম ৪ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১৯ ফাওবা অহমদবাদ, ট্রান্স ষ্টেদিয়া এরিনাদা চথরিবা হিরো ইন্টরকোন্টিনেটেল কপ ২০১৯ গী ফাইনেলদা টজিকিস্থান অমদি নোঠ কোরিয়ানা থা অসিগী ১৯ দা শান্নরগনি।

কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অরোয়বা লীগ মেটচতা য়ুম্বু ইন্দিয়া অমদি সিরিয়া গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে। দ্রো অসিনা মরম ওইরগা সিরিয়া ফাইনেল চঙবা ঙমখিদবনি।

ঙসিগী মেটচ অসিদা ইন্দিয়াগী কোচ ষ্টিনমাকনা মমাঙগী মেটচ নোঠ কোরিয়াগা শান্নখিবা ষ্টাটিং ১১ গী লাইন অপতগী প্লেয়র ৮ শীনেদাক্তুনা সুনিল চেত্রি, অম্মজিৎ সিংহ অমদি প্রিতম কোটাল খক্তমক মমাঙ মেটচকী ষ্ট্রাটিং লাইন অপ প্লেয়রশিং য়াওখি।

মেটচকী অঙনবা মিনট ৬ চৎপদা উদন্তনা সিরিয়াগী দিফেন্দরবু মায়থিবা পীদুনা বোক্স মনুং তম্না তৌরকখিবা ক্রোস অদু ইন্দিয়াগী অব্দুল সামট অমদি চাঙতেনা বোল অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙমখিদে।

সিরিয়াগী মায়কৈদগীসু মেটচকী অহানবা মিনট ৩০ গী মনুংদা গোল চনবা য়াবা তঞ্জা ৩ ফংখি। অদুবু ইন্দিয়াগী গোল কিপ্পর গ্রুপিট সিংহ সিন্ধুনা নীহথিনা ঙাকথোক্তুনা গোল ওন্থোকপা ঙমহনখিদে।

অনীশুবা হাল্ফতা য়ুম্বুগী নহা ওইরিবা হৈথোই শীংথোয়রবা শান্নরোইশিংনা মখোয়গী মপঙ্গল চপ চানা ফুদোরক্তুনা চথরখিবা এটেকশিংগী শরুক অমা ওইনা মেটচকী মিনট ৫২ চৎপদা জর্সি নম্বর ৭ অনিল থাপ্পানা য়েৎ থংবা ৱিংদগী খায়রকখিবা ক্রোশিংদা য়ুম্বুগী নহা ওইরিবা দিফেন্দর জর্সি নম্বর ৩ নরেন্দ্র গালোপনা বোল অদু অহাঙবা নেট মনুংদা হেদ্দিং তৌশিনদুনা মেটচকী অহানবা গোল অদু চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

সিরিয়াগী মায়কৈদগী শোখরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা ইন্দিয়াবু চপ চানা শীংন্নরক্তুনা মশিং থিঙমদ্রবা এটেক কয়া চথদুনা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংদা মীপায়বা পোকহনখি।

মেটচকী মিনট ৭৪ চৎপদা মান্দ্র দাও দেসাইকী মহুৎত্তা লেফ বেককী মফমদা চঙলকখিবা চেনাইন এফ সিগী দিফেন্দর জিরি লালরিনজৌলানা সিরিয়াগী জর্সি নম্বর ১৩ অহামদ অলামটতা বোক্স মনুংদা ফাওল তৌরুবগীদমক রেফরিনা সিরিয়াগী মায়কৈদা গোল হন্দোকপা য়াবা পেনালটি অমা পীখি।

পেনালটি অদু সিরিয়াগী টিম কেপ্টেনসু ওইরিবা জর্সি নম্বর ১০ ফিরাস অলখাটিপনা গোলদা ওন্থোক্তুনা মেটচ অসি মায়থিগদবদগী কনবা ঙমখ্রবসু নোঠ কোরিয়ানা মেটচ ৩ শান্নবদা পোইন্ট ৬ ফংদুনা কপ অসিগী ফাইনেল চঙখিবনি।

| Pos | Team | Pld | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Tajikistan | 3 | 2 | 0 | 1 | 6 | 3 | +3 | 6 |
| 2 | North Korea | 3 | 2 | 0 | 1 | 8 | 7 | +1 | 6 |
| 3 | Syria | 3 | 1 | 1 | 1 | 5 | 4 | +1 | 4 |
| 4 | India (H) | 3 | 0 | 1 | 2 | 5 | 10 | −5 | 1 |

# ফ্রান্সকী কেরোলিন গারসিয়া অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভ্রিলোভা লোজেন ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে





লেজেন, জুলাই ১৬ (এজেন্সি) ঃ স্বিজরলেন্দগী কোনুং লোজেনদা চথরিবা দব্লিউ টি এ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লোজেন ওপনদা ফ্রান্সকী কেরোলিন গারসিয়া অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভ্রিলোভা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দশিংদা ফ্রান্সকী কেরোলিন গারসিয়ানা এ লোট্টনরবু সেট ৬-২,৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভ্রোলোভানা স্বিজরলেন্দগী ৱাই ইন অলবোনবু সেট ৭-৫, ৪-৬, ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

বি পেরানা কাটো মোন্টিকোনেলবু সেট ৬-০, ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

এল সামসো নোভানা পি প্রামেনটিয়রবু সেট ৬-০, ৩-৬, ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

এক্স হাননা ভি গ্রাচিভাবু সেট ৬-৪, ৭-৬ তা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

এফ ফিরোনা এস ভোজিলিবু সেট ৭-৬, ৬-১ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

এস ষ্টোসুনা বি হাসপু সেট ৪-৬, ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

এন ভিখললিয়ানসেবানা সি পিরিনবু সেট ৭-৬, ৪-৬, ৬-৩ দদা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

জে পাওলিনিনা টি সুগনাওসপু ষ্টেদ সেটতা ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

এ কোনের্টনা এম ত্রিভিসানবু সেট ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টি কোরপাটনা ই বোচার্দপু সেট ২-৬, ৬-৪, ৭-৫ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

এ পোটাপোভানা কে কোকোভাবু সেট ৬-৩, ৬-১ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

এ ক্বিকনা টি মারিয়াবু ষ্টেদ সেটতা ৬-১, ৬-০ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দা কেরোলিন গারসিয়া অমদি বি পিরাগা শান্নগনি। এল সামসোনোভগা অমদি এক্স হানগা শান্নগনি। এস ষ্টোসু অমদি এ কিকগা শান্নগনি। দি গাভ্রোলোভা অমদি এন ভিখললিয়ানসেবগা শান্নগনি। জে পাওলিনি অমদি এ কোনের্টকা শান্নগনি। টি কোরপাট অমদি এ পোটাপোভাগা শান্নগনি।

# বায়ননা ষ্টুদগাদতগী দজাকু সাইন তৌখ্রে




জম্মন, জুলাই ১৬ (এজেন্সি) ঃ বায়ন মুনিকনা ষ্টুদগাতকী নহা ওইরিবা স্ত্রাইকর লিওন দাজকুবু চহী ৪ গী খূৎয়েক পীন্নখ্রে।

দাজকুবু খূৎয়েক পীন্নখিবগী মরী লৈন্ননা এফ সি বায়ন কেম্পসকী হেদ কোচ জোচেন সাৱইনা মচীন তুমখৎলক্লিবা লিওন দজাকুনা বায়ন মুনিককীদমক খূৎয়েক পীন্নবসিমক ক্লব অসিগী অফবা খোঙথাং অমনি লোয়ননা ক্লব অসিগীদমক দজাকুনা ফজবা পার্ফোমেন্স পীরক্কনি হায়না থাজে হায়না ফোঙদোকখি।

লিওন দজাকুবু ষ্টুদগাদ অন্দর ১৯ গী মমাঙগী সিজনদা মেটচ ৩১ শান্নবদা গোল ১৭ চনখি। মহাক ষ্টুদগাদ সেনিয়র টিমগীদমক মেটচ অনীরক মমাঙগী সিজনদা শান্নবা ফংখি।

# মেটচ ওফিসিয়েলশিংগী মিং লাওথোক্লে

ইম্ফাল,জুলাই ১৬ (এস এন এস) ঃ থা অসিগী ২২ দগী ২৬ ফাওবা সাইনিক স্কুল ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন সাইনিক স্কুল স্পোর্টস এন্দ কলচরেল ফেষ্টিভেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ -২০ দা মেটচ ওফিসিয়েল ওইনা ওফিসেট তৌন্নবা ওফিসিয়েলশিংগী মীং লাওথোক্লে।

ওফিসিয়েলশিং অদুদি – মেটচ কম্মিসনরদা কে এস ঐচ সরতচন্দ্রা সিংহ, ৱাই য়াইমা সিংহনি। রেফরিদা– এল রোপেন্দ্রা মৈতৈ, পি ঐচ লনথোয়বা, এন ইবুংঙো মৈতৈ, দব্লিউ স্প্রীংসন সিংহ, এম ইনাও সিংহ, এল হরিমোহন সিংহ, এল রোজিৎ মৈতৈ, টি ঐচ অরুনকুমার সিংহ অমদি টি ঐচ জয়সিংহ মোন্সাংনি। ওফিসিয়েলশিং অসি থা অসিগী ২২ গী নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবদা সাইনিক স্কুল ইম্ফালদা লাক্তুনা স্কুল অসিগী ভাইস প্রিন্সিপল মিষ্টর শ্রী প্রকাস জেদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী হেদ ওফ রেফরি জদব চন্দ্র হাওবমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহনলক্লি।

# আর্জুনা এৱার্দ ফংখ্রবী স্মৃতি মন্ধনানা ক্রিকেট মশান্নদা অহেনবা থৌনা উথোকপা পাম্লি




ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ (এজেন্সি) ঃ ইন্দিয়াগী ওপন্নর লোয়ননা ও দি আই বেটচৱুমেন্সদা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈরিবী আর্জুনা এৱার্দি স্মৃতি মন্ধনানা ক্রিকেট মশান্না অসিদা অহেনবা থৌনা উৎথোক্লবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লি।

মশাগী চহী ২২ শুরবী স্মৃতি মন্দনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা শান্নরোইশিংদা এৱার্দ পীবগী থৌরম অমদা লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা আর্জুনা এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নখিবনি।

স্মৃতি মন্দনা ইন্দিয়াগী নুপপী ক্রিকেটতা য়াম্না হৈথোয় শীংথোয়না শান্নবা ঙম্লি। অদুবু হৌজিক ওইরক্লিবা ক্রিকেট মশান্নগী অনৌবা মওংশিং অসিগা মান্ননা চৎপা ঙম্নবা মশান্না অসিদা অহেনবা থৌনা পূথোক্তুনা শান্নিংবগী অপাম্বা উৎখি।

হন্দক্তা বেঙ্গালুরুদা লৈবা নেসনেল ক্রিকেট একাদেমিদা ইনিদয়াগী নুপী ক্রিকেটরশিংগী ওইনা কেম্প অমা চৎখখিবা অদু য়াম্না মহৈ য়ানখি।

স্মৃতি মন্দনানা কুমজা ২০২০গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা টি- ২০ ৱার্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমদা শরুক য়াদুনা ওল রাউন্দর অমগী চপ চাবা রোল অদু লৌনিংলি।

বেট্টিংগী মায়কৈদা স্মৃতি মন্দনানা মহাক্কী কোচ রমনগা লোয়ননা য়াম্না কূপ্না খন্নদুনা টি- ২০ ক্রিকেটতা অহেনবা পার্ফোমেন্স পীন্নবগী খন্নখি।

টি -২০ গী ওইনদি ফিটনেস হায়বসি য়াম্না মরুওই। কোচ রমন অমসুং টিম অসিগী শান্নরোইশিংনা ফিটনেসকী মতাংদা পূন্না খন্নদুনা অৱাৎপশিং অদু মেনখৎনবা হোৎনরি।

ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম অসিদা স্মৃতি মন্দনা, জেনিমাহ রোদ্রিগেজ অমদি হরমন প্রিট কোরনা বেট্টিংদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মখোয়গুম্না ইন্দিয়াগী টিম অসিগী মিদল ওর্ডর বেটসৱুমেন্সশিংসু থৌনা লৈনা শান্নবা ঙম্বগী মথৌ তারি।

# মণিপুরগী মাষ্টর এঠলেট ৬৪ খল্লক্লে




ইম্ফাল,জুলাই ১৬ (এস এন এস) ঃ চহী অসিগী দিসেম্বর ২ দগী ৭ ফাওবা মালিসিয়াগী কূচুং সরাৱাকতা পাঙথোক্কদৌরিবা ২১ শুবা এসিয়ান মাষ্টর এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা মাষ্টর এঠলেটিক ফেদরেসন ওফ ইনিদয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুর মাষ্টর এঠলেটিক এসোসিয়েসনগী নুপা অমসুং নুপী এঠলেট পূন্না ৬৪ খলক্লে হায়রি।

মখোয়শিং অদুদি– নুপাগীদা ওনিল এস, দেবরাজ, হায়মো সিংহ, জালেশ্বর, ইবোমচা, মুহোর, পৈপালুঙ গোলমৈ, থম্বাল শর্ম্মা, ববুয়াইমা, বিরেন, গোজেন্দ্রো, কুঞ্জেশ্বর, শমু সিংহ, ভুবোন, দেবেশ্বর, ইবোপীশক, ইবোতোন, মনিচান্দ, মোম্বা সিংহ, নবাকুমার, বিরজিৎ, ইবোমচা, রাটনার, কেশোর সিংহ, নবকুমার অমদি জুগোল সিংহনি।

নুপীগীদনা– অশালতা, রঞ্জিৎতা, অশারানি, সুসিলা, প্রেমিকা, রাগিনি, সান্তি, বিদিসাইন, ইন্দুবলা, পনু দেবী, গোমতি ও, লিনা দেবী, মেমচা, মেমি দেবী, পূণিমশি, সোভাপটি, হেমোলতা আর কে, মনিসনা, মেম্মা, ঙানবী দেবী, প্রামো দেবী, সোরোধোনি, থমতবালশঙ, ইনাওবী, স্যাম্মা, থবলৈ, একাশিনি, বিমোলো দেবী, দেবজানি দেবী, ধনিসনা, ইবেমহায়, প্রামোদিনি, সুনিতা, মঙ্গোল, রাশি দেবী, থম্বাল দেবী অমদি তোম্বীমচানি।

মখোয়শিং অসি গুন্টুরদা পাঙথোকখিবা ৪০ শুবা নেসনেল মীর্টতা অহানবা মফমদগী ৬ শুবা মফম ফাওবা কনখিবা এঠলেটশিংদা বেজ তৌরগা খনবনি হায়রি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com